# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-04-2025)**

**পুলিস (এল) ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা হুন্দ্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চত্থরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শগোলমাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পুখাউ অহল্লুপকী মনিং থংবা তুরেলগী শরুকশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চত্থবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফংবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা-মেগজিন অহুমগা লোয়ননা নাইন এম.এম.গী এস.এম.জি. অমা, দবল বেরেল গন অমা, নোংমৈ মরু অহুম য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ মরি, দিটোনেটর তরা, ট্যুব লোঞ্চিং মরি, রেদিও সেট অমা, ভেকুলর সেট মাইক্রোফোন অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

চুরচান্দপুর জিলাগী সিদেন ভোৱেল হায়রিবা মফম অসিগী অকোইবদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চত্থবদা পোইন্ট টু টুগী রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল গন অমা, পোম্পী অনি ফংবা ঙমখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইননা থিংখ্রবা লুপশিংগী মীওই ফাবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি হায়নসু পুলিসনা পাউনা মখা তারি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কাইরং খুলদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফাবা ঙমলে। আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ইম্ফাল-ঙারিয়ান য়াইরিপোক লন্দ্বীগী চিংয়াঙ লাইরেন্দ্বী ইমা কৈথেল মনাক্তা সেক্যরিতি ফোর্সশিংনা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা ফাবা ঙমখিবনি। মহাক জিরিবামগী উচাথোলদগীনি হায়রি।

কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা) গী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুংদা লৈবা এফ.সি.আই. গোদাউন্দ মনাক্তগী ফারে। মীওই অদু

ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লমজাউ মখা লৈকাইদগী হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলোং চজিং মাইরেনখোংদগী নুপী অমসু পুলিসনা ফাবা ঙমলে হায়রি। মহাক প্রিপাক (প্রো) না চথুবা শেল খায়বগী থবক্তা মতেং পাংবা মীওইনি হায়না পুলিসকী পাউনা মখা তারি।

**ধনমঞ্জুরি (এল) ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার ডব্লিয়ু. চান্দবাবুনা হায়রি-মহৈরোইশিংনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি মালেমগী হোংলক্লিবা কয়া অসি খঙনা মহৈ তম্বা তঙাইফদে। করম্বা লমদা মহৈ তম্লগদি তুংদা কান্নবা ফংগদগে হায়বদু খঙহন্নবা মহৈরোইশিং মখোঙ শোন্বীগদবনি।

ৱাফম অসি প্রোফেসার চান্দবাবুবু ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা খল্লকপদা হরাও তয়াম্বা ফোংদোক্তুনা মহাকপু তরামা ওকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। মালেম ঙালহনবা লুপ (মঙাল) হিয়াংলম-ৱাবগাহ অমসুং লিটরেরি এন্দ স্পোর্টিং ওর্গনাইজেসন (লিসপো) হিয়াংলম-ৱাবগাই অনিনা পুন্না শিনদুনা হিয়াংলম কৈথেল শঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রোফেসার-চান্দবাবুনা হায়-মহৈরোইশিংনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিগীদমক খনদুনা চৎলিবা লম্বী অদু করমা খনগনি হায়বসিদা মখোয়দা খঙহন্নবা কম্যুনিতি কাউন্সিল্লিং অমদি কম্যুনিতি গ্রুমিং য়ামা মরুওই। মসিনা মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমা ওইবদা চাউনা মতেং পাংগনি।

**এৱার্ড (এল) ঃ** শুমাং লীলাগী শকাইরবা আর্টিষ্ট-নরেন্দ্র নিঙোম্বদা চহি অসিগী ওইনা ইবোয়াইমা এৱার্ড পীরগনি। মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা চহি খুদিংগী পাঙথোকপা শুমাং লীলা নুমিৎকা মরী লৈননা মনা অসি হয়েং লান্থোক্লগনি। হীরম অসিগী মতাংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মনিপুর

শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম জেনরেল সেক্রেটরি-সৌগ্রাকপম হেমন্তনা থা অসিগী ১২ দা শুমাং লীলা নুমিৎ থৌরম পালন হৌনবা শেম শারিবা অসিনা কলা অসিবু পামজবা আর্টিষ্ট অমদি মীয়ামদা হেন্না পুকিং থৌগৎলগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা রিমস ইম্ফালগা খুৎশমদুনা পল্লেল গেরিসনদা লৈবা জেনরেল দ্বিবেদি ব্লোক্তা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

মফম অদুগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী লাকপা মীওইশিং অমদি লাশ মীশিং য়াওনা মীওই ৫০ ঈ দান তৌখি।

**অমিত ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ময়াই কাবা পোৎলমশিং লল্লোন ইতিক তৌবা অমদি শীজিন্নবামুত্থৎনবা অকনবা থবক কয়া পায়খৎলি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী অমিত সাহনা হায়-দ্রগ ফ্রি ভারত ওইহন্নবগীদমক প্রধান মন্ত্রিগী অশানবা মীৎয়েংগী মখাদা পায়খৎলকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী মনুং চন্না অসামদগী লুপা কোতি ২৪ লাখ ৩২ রোমগী ওইগদবা কিলোগ্রাম ৩০ গ্রাম ৪০০ গী মিথাম ফেতামিন টেব্লেটশিং ফাগৎপা ঙমলে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই অহুমসু ফাবা ঙমলে।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ময়াই কাবা পোৎলমশিং শীজিন্নবা অমদি লল্লোনবশিংগী মায়োক্তা লৈঙাকা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা মখা তানা পায়খৎপা য়াবা থবক কয়া লেপ্লা লৈতনা পায়খৎকনি। অসিগুম্বা লৈবাক অসিগী তুংগী য়ন্ত্রীশিংগীদমক খল্লগা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিদা নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো, অসাম পুলিস অমদি সি.আর.পি.এফনা লৌখিবা থৌদাংবুসু গৃহ মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**য়ুপি ঃ** উত্তর প্রদেসতা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা মওংদা নোং চুবদগী নুপী মঙা য়াওনা মীওই ২২ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ মরিগী ক্ষেতিপুরোন পীরগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা লাউথোকখ্রে। অকনবা নোং অদুনা শোকহল্লবা য়ুম কৈ অমদি লৌউ শিংউগী মফমশিংসু য়েংশিন্নবা ওফিসিএলশিংদা খঙহনখ্রে।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা অমদি শগোলশেন নুমিৎকী লোন্নবা অহিংদা চুখিবা অকনবা নোং অদুদা বজ্র তাবদা মীওই ১৩ লৈখিদে হায়না রিলিফ কম্মিস্নারগী ওফিসকী পাউনা হায়রি। অতোপ্পশিং অদুনা য়ুমগী ফাক্লাং অমসুং য়ুমথক নিংখায়রকপদগী লৈখিদবনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ৱাকফ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা এম.এল.এ. নুরুনা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাকৎখ্রে। কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনি লাউথোকপীনবা তকশিনখ্রে হায়বা হেদ লাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইনি।

প্রসিদেন্টস রুল থা অনি ফাজিল্লক্লে। থুমচিনখিবনা ফগদ্রা-শাংথহনবনা ফগদ্রা হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউদা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলক্লি। হেদলাইন অসিগী মখাদা শকাইরবা পোলিটিসিয়ান ও. জয়, ডা: নরা, ডা: নিমাইচান্দ লুৱাং অমদি খাইদেম মণিননা প্রসিদেন্ট রুলগী ফোংদোকপা ৱাফমশিং তোঙান তোঙানবা সব হেদলাইন মরি পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

পোষ্টিং ওর্দর থোকপা নোংঙানবগা ৱানোম্বা তোক্লসি হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা লাক্লম্বা এম.ও.এস. দিফেন্স ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

এফ.এম.আর. লৌথোকপা, বোর্ডর ফেন্সিং খাবগী মায়োক্তা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইননি।

দিল্লিগী এগ্রীমেন্ট য়াখিদবগী মরুওইবা মরম অনি কুকি-জোগী লুচিংবশিংনা পুথোরকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মোরনিং বেল অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন ওইরি। ঈচেল এক্সপ্রেসতনা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

বি.জে.পিনা শিনদুনা লৈবাক পুন্সদা অনৌবা ৱাকফ লোগী মতাংদা খঙহন্নবা এৱারনেস পাঙথোকবা শেম শারে হায়বা হেদলাইন অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

গভরনস পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইননি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইনদা সেনাপতিদা ৪৪ শুবা ৱার্ল্ড টি.বি. ডে পালন তৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

গানফিয়ু মেলদা-রিমসকী দাইরেক্তগী য়ুমদা গ্রেনেদ লংশিল্লমখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ফোংবা থেংনরে।

তমেংলোং টাইমসতনা-এন.এস.সি.এন (আই.এম) না অফস্পা, ইন্ে দা-ম্যান্মার ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক অমদি এফ.এম.আর. লৌথোকখিবগী মায়োক্তা থেংনগনি হায়বা হেদলাইন অসি পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।